# ম্যান্মারদা খুৎশিন্নখিবা রোহিঙ্গা তরেৎ হাৎখিবা য়াই



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

ম্যান্মারদা হন্দক্তা খুৎশিন্নখিবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি তরেৎ হাৎতো-কখিবা য়াই হায়না ইন্দিয়াদা লৈহৌরিবা ফুরুপ অসিগী মীওইশিংনা চিংনবা পোক্লি।

কালিন্দি কুঞ্জগী কেম্পতা লৈরিবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিংনা হায়খি, ম্যান্মারদা ঈং-তপ্পা ফীভম হঞ্জিল্লক্ত্রিবা ফাওবা ইন্দিয়াদা মখা তানা লৈহন্নবা ওথোরিটিদা কয়ারক হন্না হায়জবা লৈখ্রে। অদুবু ইন্দিয়ন ওথোরিটিনা হন্দক ম্যান্মারদা রোহিঙ্গা তরেৎ খুৎশিন্নখি। কুমজা ২০১২ দগী হৌনা অসামগী সিলচরদা লৈবা কছার সেন্ট্রল জেলদা থল্লকখিবা রোহিঙ্গা তরেৎ অয়াবা য়াওদনা চঙলকখিবনি হায়বগীদমক ম্যান্মারদা খুৎশিন্নখিবনি।

এ এন আইগা উনখিবা অমদা মহম্মদ ফরুক কৌবা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি অমনা হায়খি, মফমসিদা কুমজা ২০১২ দগী লৈরক্লি। ম্যান্মারদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লবা মরম্না ইন্দিয়াদা চেল্লক্তুনা চঙজফম লৌখিবনি। মালেমদা লৈরিবা মীওই অমত্তনা মরৈবাক থাদোক্তুনা অতোপ্পা লৈবাক অমদা চৎপা পাম্লল্লোই। তঙাইফদবা ফীভম লাকপদগী ম্যান্মার থাদোরকখিবনি।

রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না ইন্দিয়াদা হৌজিক হৌজিক রোহিঙ্গা ৪০,০০০ হেন্না লৈ হায়না থাজনরি।

বুধিষ্ট লাইনিং চৎপশিংনা নম্না খুন্দাবা ম্যান্মারদা রোহিঙ্গাশিং মখা তানা লৈহন্দনবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রবা মতুংদা ফুরুপ অসিগী মীওই অয়াম্বা য়ুল্লোন্নবা লৈবাকশিংদা চেংঙ্গোরকখিবনি।

কুমজা ২০১৭ কী ওগষ্টতা ম্যান্মার আর্মিনা রখাইন ষ্টেটতা রোহিঙ্গা মুস্লিমগী মথক্তা পাক শন্না মীহাৎ-মীপুন চঠবা হৌরকপদগী তঙাইফদনা ফুরুপ অসিগী মীওই ৬,৫০,০০০ হেন্না চেংঙ্গোরকখি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসিগী মখাদা মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফেয়রসনা হায়খি মদুদি, রোহিঙ্গা রেফ্যুজি তরেৎ ম্যান্মারদা খুৎশিন্নখিবদু মশাগী অপাম্বা মতুংইন্না চখিবা থৌওংনি। মখোয় তরেৎমক্না মরৈবাক্তা হঞ্জরগে হায়না ফোঙদোরকপগা লোয়ননা ম্যান্মারগী ওথোরিটিনসু খুদোংথিবা অমত্তা নংহল্লোই হায়না থাজবা পীরকখি।

অমরোমদা, সুপ্রীম কোর্টনা হৌজিক হৌজিক সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা রোহিঙ্গা রেফ্যুজিশিংগী মতাংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংদা খুৎ থিংজিনবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ফোঙদোকখি।

চীফ জষ্টিস রঞ্জন গোগোইনা লুচিংবা বেঞ্চ অমনা হায়খি, হন্দক্তা মরৈবাক্তা হলহনখিবা রোহিঙ্গা তরেৎমক অয়াবা য়াওদনা চঙলক-খিবনি হায়বগী চপ চাবা খুদম ফংখি। মদুগীসু মথক্তা ম্যান্মারনা মখোয় তরেৎমক লৈবাক অদুগী অশেংবা সিটিজন ঙাক্তেনি হায়না লৌশিনখি।

পনবা য়াবদি, অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা মীতোপ পুম্নমক মশক খঙদোক্লগা মরৈবাক্তা হলহনখিগনি হায়না বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এন দি এ লৈঙাক্না অয়াবা য়াওদনা চঙলকপা রেফ্যুজিশিংগী মথক্তা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎপা হৌরে। লৈবাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈরিবা মীতোপশিং চপ চানা মশক খঙদোক্লগা মরৈবাক্তা হলহনখিনবা থৌরাং মখা তানা লৌখৎখিগনি।

বি জে পিনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাংশিংগী মতাংদা অমিট শাহনা হায়খি, কুমজা ২০২২ ফাওবদা ইন্দিয়ন আর্মিবু মালেমদা খ্বাইদগী মতিক ময়াই লৈবা লান্মী ওইহল্লগনি হায়না লাউথোকপা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা অহানবনি। মোদিনা লুচিংবা লৈঙাক্না মীচম মীয়ামগী চাউখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎপগী মথক্তা ইন্দিয়ন আর্মিগী অনৌবা মতমগা চুনরবা খুৎলায় কয়ামরুম লৈরি। হৌখিবা চহী ৪ গী মনুংদা টেররিষ্ট ৬০০ অমসুং নক্সলাইট ৩০০ হাৎপা ঙম্লে হায়না পল্লদুনা অমিট শাহনা হায়খি, মপান্দগী চঙলকপা মীতোপশিং হলহনখিবগা লোয়ননা টেররিজম মপুং ফানা মুখৎনবা থৌরাং লৌখৎলগনি।

ইন্দিয়ানা হন্দক্তা রোহিঙ্গা রেফ্যুজি তরেৎ ম্যান্মারদা নমদুনা হলহনখিবগী থৌওং অদুবু এমনেষ্টি ইন্টরনেসনলনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। ইন্দিয়ানা চঙজরকপা মীওইশিংদা মীনুংশিগী মীৎয়েং য়েংফম থোকপনি হায়রি।

# খাথংবা ষ্টেটশিংদা দিজাষ্টর রেস্পোন্স টিমশিং শেম-শাহনখ্রে



চেন্নাই, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

লাক্কদৌরিবা পুং ২৪ গী মনুংদা কর্নাটকা, তামিল নাদু, কেরলা, লক্ষদ্বিপ অমসুং অন্দমান এন্দ নিকোবরদা নোং কন্না চুরবা য়াই হায়না ইন্দিয়ন মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট (আই এম দি) না চেকশিন ৱারোল পীখ্রে।

মাঙজৌননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা ওইনা কোষ্ট গার্দকী জহাজ কয়া থৌরাং তৌদুনা লৈহনখিবগা লোয়ননা দিজাষ্টর রেস্পোন্স টিমশিং মীকুপ নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখি।

ঙসি নুমীদাংৱাইরম থাদোরকখিবা ৱারোল অমদা আই এম দিনা হায়খি, খাথংবা ইন্দিয়াগী মফম খরদা অকনবা নুংশিৎ শিৎলকপগা লোয়ননা নোং কন্না চুরকপা য়াই। মফম খরদদি পুংদা কিলোমিটর ৬০ য়াংবা নুংশিৎ শিৎলকপা য়াই।

লাক্কদৌরিবা পুং ২৪ গী মনুংদা ঙামীশিং সমুদ্রদা ঙা ফাবা থোক্তনবা খঙহল্লদুনা আই এম দিগী চেরোল অদুনা হায়খি, হৌজিক হৌজিক ঙা ফারিবা মীওইশিংসু য়ারিবমখৈ অথুবা মতমদা ময়ুম তম্না হঞ্জিল্লক্কদবনি। রিজনল মেটিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্টনা হায়, বে ওফ বেঙ্গোলদা কা হেনবা মওংদা প্রেসর হন্থরকপা মরম্না মথংগী পুং ৩৬ কী মনুংদা ওরিষা মায়কৈদা নোং চুরবা য়াই।

চেন্নাই অমসুং মসিগী অকোয়বদা ময়াই ওইরপ্পদগী হৌরগা অকনবা চাংদা নোং চুগদৌরি। সাউথ অরাবিয়ান সীদা থোক্লিবা ফীভম য়েংলগা পুং ২৪ গী মনুংদা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ অমা ওমান মায়কৈ তম্না শিংখিবা য়াই। থোক্লকপা য়াবা খুদোংথিবশিংগীদমক খল্লগা কোষ্ট গার্দনা দোনিয়র জহাজ কয়া মাঙজৌননা থৌরাং তৌদুনা থমখ্রে।

তামিল নাদুগী সমুদ্র মপালদা মথৌ তৌরিবা কোষ্ট গার্দকী জহাজশিংনা ঙামী পুম্নমক সমুদ্র মপালদা হল্লক্নবা খঙহনখি। কোচিদসু দিজাষ্টর রেস্পোন্স টিম কয়া শেমদুনা অমাঙ-অতা থোক্লকপা মতমদা মী কনবা অমসুং মতেং পাংবগী থৌরাং লৌখৎনবা শেম-শাদুনা লৈহনখ্রে। কোষ্ট গার্দকী চেরোলনা হায়খি, সমুদ্র মপাল নক্না লৈরিবা ঙামীশিংনা ওক্টোবর ১২ ফাওবা সাউথ অমদি সেন্ট্রেল অরাবিয়ান সীদা ঙা ফাবা চৎলোইদবনি। মতম অমদা হেক্তা অকনবা নোংলৈ-নুংশিৎ শিৎলকপা য়াই হায়না চেকশিন ৱারোল পীখি।

# অরুনাচলগী শক্তম কায়হন্দনবা হোৎনগদবনি : নবাম টুকি



ইটানগর, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

অরুনাচল প্রদেশ অমসুং ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মীয়ামগী তোপ তোপ্পা শক্তম ঙাক্লবা কোংগ্রেস ৱার্করশিংনা অঙম্বা থাক্তা হোৎনগদবনি হায়না পার্টিগী সিনিয়র লিদর নবাম টুকিনা ফোঙদোকখ্রে।

কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা অমসুং এসেম্বলী মীখলগা মরী লৈননা পাঙথোকখিবা মীফম অমদা মহাক্না হায়খি, কোংগ্রেসনা য়েলহৌমীশিংগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক ষ্টেট অসিদা বি জে পিবু মপুং ফানা মায়থিবা পীনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই। বি জে পি লৈঙাকপা ষ্টেট অসিগী এসেম্বলী মীখল মথং চহীগী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌরিবনি।

অনীরক হন্না ষ্টেটকী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবা নবাম টুকিনা হায়খি, অরুনাচল প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি (এ পি সী সী) গী প্রসিদেন্ট টকাম সঞ্জয়গী লীচিং মখাদা য়েলহৌমীশিংগী শক্তম ঙাক্তুনা থম্নবগীদমক তঙাইফদনা বি জে পিবু মায়থিবা পীনবা থৌরাং লৌখৎফম থোকই।

কোংগ্রেসনা ষ্টেট অমদি ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা মতম শাংনা কথোক্তুনা লাক্লি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, য়েলহৌমীশিংগী শক্তম কায়হন্দনা থম্নবগী মতাংদা অরুনাচল প্রদেশ মহিলা কোংগ্রেস, অরুনাচল প্রদেশ য়ুথ কোংগ্রেস অমসুং নেসনল ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়া (এন এস য়ু আই) নচিংবা পার্টিগী ফ্রন্টেল ওর্গনাইজে-সনশিংনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। বি জে পিনা লৌখৎলকপা থৌরাংশিংনা য়েলহৌমীশিংদা চাউনা অকায়বা থোকহল্লে হায়না মরাল শিরদুনা মহাক্না হায়খি, কুমজা ২০১৯ গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা কোংগ্রেসনা অপূনবা সিট ৬০ গী মনুংদা সিট ৩৩ হেন্না ফংদুনা বি জে পিগী মথক্তা চপ চাবা পাউখুম পীরগনি।

# কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা শরদ পৱার মীরেপ ওইররোই : অজিৎ পৱার



মুম্বাই, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

নেসনেলিষ্ট কোংগ্রেস পার্টি (এন সী পি) গী লুচিংবা অজিৎ পৱারনা হায়খ্রে মদুদি, কুমজা ২০১৯ দা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলদা পার্টিগী প্রসিদেন্ট শরদ পৱার মীরেপ ওইররোই।

মুম্বাইদা পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা অজিৎ পৱারনা হায়খি, লাক্কদৌরিবা মীখলদা শরদ পৱারনা কনষ্টিট্যুএন্সি অমত্তদা মীরেপ ওইহন্দনবা ৱাফম ময়েক শেংনা থল্লক্লে। মতম শাংনা পার্টিগী লুচিং পুরেল ওইদুনা লাকখিবা শরদ পৱার মশাগী চহী ৭৮ শুরবা মরম্না লোক সভাগী মীখলদা অমুক হন্না শরুক য়াবা পামদ্রে। পুনেদা লৈবা পার্টিগী ৱার্কর খরনদি মহাকপু হন্দক্কী মীখল অসিদসু মীরেপ ওইবীনবা হায়জখি। অদুম ওইনমক মতিক চাবা মীওই অমা ওইনা মহাক্কী মহুত্তা মীরেপ ওইনা থাগৎনবা শরদ পৱারনা পার্টিগী ৱার্করশিংদা খঙহনখি।

লাক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মতাংদা থানে কনষ্টিট্যুএন্সিগী এম পি জিতেন্দ্র অহৱাদনা এজেন্সীদা হায়খি, এন সী পিগী লুচিংবা শরদ পৱারনা অজিৎ পৱারগী মচানুপা পার্থ পৱারবু মৱাল লোক সভা কনষ্টিট্যুএন্সিদা মীরেপ ওইহনবা পাম্লি। অদুম ওইনমক হিরম অসিগী মতাংদা পার্টি ৱার্করশিংগা কুপ্না খন্নখিগদৌরি।

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা লোক সভা মীখলগী মতাংদা এন সী পিনা নুমীৎ নীনিগী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা মীরেপ ওইগদবা মীওইশিং খল্লগনি। মহারাষ্ট্রাগী লোক সভা সিট ৪৮ গী মনুংদা সিট য়েন্নবগী মতাংদা এন সী পিনা কোংগ্রেসকা ৱারী শানদুনা লাকখি।

কুমজা ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা মীখলদা কোংগ্রেসনা সিট ২৭ তা মীরেপ থাদোক্লগা এন সী পিনা সিট ২১দা মীরেপ থাদোকখিবনি। হৌজিকমক্কী ওইনদি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা জেনরেল ইলেক্সনদা পার্টি অনী পুন্না চৎমিন্ননবা ৱাফম লাউথোকপা লৈত্রি। ওক্টোবর ১২ দা পার্টি অনীগী য়াম্না মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্লগা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌরগনি হায়না মহারাষ্ট্রা প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটিগী প্রসিদেন্ট অশোক চৱননা ফোঙদোকখি।

# তেলঙ্গনাগী অরোইবা ইলেক্টোরেল রোল ফোঙবগী মতম য়ৈথোকখ্রে



হায়দ্রবাদ, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা তেলঙ্গনাগী অরোইবা ইলেক্টোরেল রোল ফোঙবগী মতম ওক্টোবর ৮ দগী ওক্টোবর ১২ দা য়ৈথোক্লে হায়না ষ্টেটকী চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর রাজট কুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

সেপ্টেম্বর ৮ দা ইলেক্সন কম্মিসন্না ফোটো ইলেক্টোরেল রোলগী স্পেসল সমরি রিভিজনগা মরী লৈনবা থবক থৌরম পুম্নমক লেপখিবগা লোয়ননা ওক্টোবর ৮ দা ফাইনেল ইলেক্টোরেল রোল ফোঙলগনি হায়না লাউথোক-খিবনি। সেপ্টেম্বর ৮ দা তেলঙ্গনা এসেম্বলীগী মতম লোইশিন্নবা ৱারেপ লৌখ্রবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসনগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকখি।

কম্মিসন্না কুমজা ২০১৮ গী জানুৱারি ১ দা রিফরেন্স লৌরগা অনীশুবা ইলেক্টোরেল রোলগী স্পেসল সমরি রিভিজন পাঙথোক্লবা খঙহনখি। পনবা য়াবদি, ইলেক্সন কম্মিসন্না ঙরাং ছটিসঘর, মধ্য প্রদেশ, মিজোরাম, রাজস্থান অমসুং তেলঙ্গনাগী এসেম্বলী মীখল নবেম্বর ১২ অমসুং দিসেম্বর ৭ কী মরক্তা পাঙথোক্লগনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। ষ্টেট মঙামক্কী ভোট মশিং থিবগী থবক দিসেম্বর ১১ দা পাঙথোক্কনি হায়রি।

# অসামদা হৌখিবা নুমীৎ নীনিদা মহৈরোয় অনী শিখ্রে



তেজপুর, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

হৌখিবা নুমীৎ নীনিগী মনুংদা তেজপুর সেন্ট্রেল য়ুনিভর্সিটিগী পি এচ দি স্কোলর অমা অমসুং গৌহাতি য়ুনিভর্সিটিগী পোষ্ট গ্রেজুয়েট মহৈরোয় অমা শিখ্রে।

পুলিসল অমসুং ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা হায়খি, তেজপুর সেন্ট্রল য়ুনিভর্সিটিদা কম্প্যুটর সাইন্স এঞ্জিনিয়ারিংগী রিছার্স স্কোলর ওইবা কাংকন কালিতা (৩১) কৌবা মীওই অমা ইরাই নুমীৎতা হোষ্টেলগী কা মনুংদা শিরগা লৈরম্বা থেংনখি। নুমীৎতুগী অয়ুক্তা কাংকননা এগজাম থাবা লাক্তবদগী নুংথিলদা মমান্নবশিংনা সরাইঘাট সী ভি রমন মেন্স হোষ্টেলদা চৎতুনা য়েংলুবদা কাংকনগী কা অদু মনুংদগী থোঙ লোনশিন্দুনা লৈরম্বা থেংনখি। থোঙনাওগী অহোবা মখুন ফাওনা য়েংবা মতমদা মহৈরোয় অদু ময়াদা কোঙ্গোন কারগা ফমুংদা হিপ্তুনা লৈবা উখি। মহৈরোয়শিংনা খুদক্তা পাউ পীরগা পুলিস কৌরবা মতুং থোঙ ফক্কায়দুনা চঙবদা মহৈরোয় অদু শিদুনা লৈরম্বা থেংনখি। খুদক্তা কনকলতা সিবিল হোস্পিটালদা পুখৎতুনা পোষ্ট মোর্টেম তৌরগা জোরহাট দিষ্ট্রিক্তা লৈবা ময়ুমদা খুৎশিন্নরম্মী।

মহৈরোয় অদু মতৌ করম্না শিরম্লিবনো হায়বদু পোষ্ট মোর্টেমগী রিপোর্টতগী চপ চাবা খঙবা ঙম্লগনি। লৈখিদ্রবা মহৈরোয় অসি কম্প্যুটর সাইন্স এঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টতা ক্বালিটি ইম্প্রুভমেন্ট প্রোগ্রামগী মখাদা পি এচ দি তৌরিবনি।

অমরোমদা, গৌহাতি য়ুনিভর্সিটিদা পোষ্ট গ্রেজুয়েট তম্লিবা মহৈরোয় অমসু হঞ্জিন হঞ্জিন ৱাস্থরকপদগী এম এম সী সিবিল হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখৎপদা লৈখিদ্রে। য়ুনিভর্সিটিগী মীওইশিংনা থৌশাখিদবা মরম্না মহৈরোয় অদু লৈখিদবনি হায়না ইমুং-মনুংগী মীওইশিংনা পুলিসতা এফ আই আর ফাইল তৌখি। এফ আই আরগী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, হঞ্জিন হঞ্জিন ৱাস্থরল্লবা মহৈরোয় অমবু য়ুনিভর্সিটিগী ওথোরিটিনা ওক্সিজেন সপ্লাই য়াওদবা এম্বুলেন্স অমদা হাপ্লগা এম এম সী হোস্পিটাল তম্না পুখিবগী থৌওং অদু চেকশিন্দবনি হায়না লৌফম থোকই। পুলিসনা থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেম তৌনবা হোস্পিটালগী মোর্গতা থমখ্রে।

# মেঘালয়াদা ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন পাঙথোকপা য়ারোই হায়না খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন্না ফোঙদোকখ্রে



শিল্লোং, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

মেঘালয়াদা ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপা য়ারোই হায়না খাসি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (কে এস য়ু) না ফোঙদোকখ্রে।

মহৈরোয় লূপ অসিগী প্রসিদেন্ট লম্বোক ষ্টার মারঙ্গরনা হায়খি, ষ্টেট লৈঙাক্না করিগুম্বা ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপা তারবদি অঙম্বা থাক্তা থিংনবা হোৎনগনি।

য়েলহৌমীশিংগী নাৎকী ওইবা চৎনবী অমসুং কাঙলোন্দা অকায়বা পীরকপা য়াবা মরম্না ষ্টেট অসিদা ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলোইদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

কে এস য়ুনা হিরম অসিগা মরী লৈননা মমাঙদা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্তা অইবা চেরোল থাদুনা খঙহনবা লৈখ্রে। নাৎকী ওইনা লৈজরিবা ইনষ্টিট্যুসনশিংগী মতিক ময়াই পুম্নমক ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলনা মুনখিবগী ফীভমদা লাকপা মরম্না করিগুম্বা ফীভম অমত্তদা লোকেল বোদিগী মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনরোইদবনি।

করিগুম্বা ষ্টেট লৈঙাক্না ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন পাঙথোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপা তারবদি মদুদা থোরকপা অফ-ফন্তগী থৌদাং পুম্নমক লৈঙাক পায়রিবশিংনা পুগদবনি হায়নসু মহৈরোয় লূপ অসিনা ফোঙদোকখি।

কে এস য়ুনা থাদোরকখিবা ৱারোল অমা পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিং অমদি লেজিসলেটর ৬০ মক্না ম্যুনিসিপাল ইলেক্সন পাঙথোকপগী মায়োক্তা লেপকদবনি। করিগুম্বা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনরক্লবদি লেজিস-লেটর ৬০ অমদি পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক বোয়কোট তৌনবা ফিরেপ লৌরকপা য়াই।

# কাশ্মিরদা পামদবা থৌদোক থোকপগী চাং হন্থরক্লে : হোম মিনিষ্টর

শ্রীনগর, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা পামদবা থৌদোক থোকপগী চাং হন্থরকপগা লোয়ননা অর্বান লোকেল বোদি (য়ু এল বি) গী মীখল পাঙথোক্লবা শেম-শারে হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রে।

সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)কী থৌরম অমা য়াওবা লাকখিবা মিনিষ্টরনা পাউমীশিংদা হায়খি, জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী য়ু এল বিগী মীখল তাঙ্কক মরি থোক্না হয়েংদগী পাঙথোকপা হৌরগনি। কাশ্মির তম্পাক্তা মিলিটেন্টশিংনা অপনবা থোকহন্নবা হোৎনরকপদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মতিক চাবা পাউখুম পীখি।



সিক্যুরিটিগা মরী লৈননা হংখিবা ৱাহং অমগী পাউখুমদা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, য়ুল্লোন্নবা লৈবাক্না খুৎলায় মতিক চানা পায়বা মিলিটেন্টশিং ঙমখৈ ৱাংমদগী থাজিল্লক্লবা হোৎনবদা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংনা মায় পাকপা ঙমহনখিদ্রে। হয়েংদগী হৌরগা তাঙ্কক মরি থোক্না পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি) অমসুং কোংগ্রেসনা মপুং ওইনা লম্বা পানরগনি। মরুওইবা রিজনল পার্টিশিং- নেসনল কনফরেন্স অমসুং পিপলস দেমোক্রেটিক পার্টিনদি কনষ্টিট্যুসনগী আর্টিকল ৩৫ এগা মরী লৈননা মীখল অসি বোয়কোট তৌরি।

চৈরকসিদা, মীখলগা মরী লৈননা সিক্যুরিটিগী অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা লোইরে হায়না ওফিসল অমনা ফোঙদোকখ্রে।

হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা অহানবা তাঙ্কক্কী মীখলদা পামদবা থৌদোক অমত্তা থোকহন্দনবা মফম খুদিংমক্তা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিং চেকশিন থৌরাং লৌখৎতুনা লৈহল্লে হায়রি।

মকোক থোংবা সিক্যুরিটি ওফিসল অমনা হায়খি, সিটিগী মরুওইবা মফম কয়াদা চেক পোইন্টশিং হাংদোক্তুনা অচৎ-অওকশিং চেক তৌবগী থৌরাং লৌখৎলে। চিংননিংঙাই ওইবা মফমশিংদা হূই শীজিন্নদুনা পোকখায়হন্নবা মচাকশিং লৈত্রা হায়না থি-হুম্বগী থবক চথুরি।

অশোয় অঙাম য়াওহন্দনা মীখল পাঙথোক্লবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়ামরুম মায়োক্লুরি হায়না পল্লদুনা ওফিসল অমনা হায়খি, মিলিটেন্টশিংনা এটেক চথুরকপা য়াই হায়না চিংনবদগী মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই পুম্নমক শাফগদবা মফম অমদা ঙাক শেন্দুনা থম্লি।

# মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান অমদি ছটিসগরদা কোংগ্রেসনা মায় পাক্লবা য়াই : ওপিনিয়ন পোল



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ০৭ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং বি জে পিগী প্রসিদেন্ট অমিট শাহগী নীংবা কায়নিংঙাই ওইবা থৌওং অমা ওইনা মধ্য প্রদেশ, রাজস্থান অমসুং ছটিসগরগী এসেম্বলী মীখলদা কোংগ্রেসনা মায় পাক্লবা য়াই হায়না ওপিনিয়ন পোল অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

এ বি পি ন্যুজ- সী ভোটরনা পাঙথোকখিবা ওপিনিয়ন পোলগী রিপোর্টনা হায়, শাংলবা চহী কয়া বি জে পিনা লৈঙাক পায়দুনা লাকখিবা মধ্য প্রদেশ, ছটিসঘর অমসুং রাজস্থান্দা কোংগ্রেসনা মায় পাকপা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। হন্দক পাঙথোক্ক-দৌরিবা এসেম্বলী মীখলদা কোংগ্রেসকী ওইনা খ্বাইদগী ফীভম ফগনি হায়না লৌনরিবা ষ্টেটতি রাজস্থাননি। ষ্টেট অসিদা সচিন পাইলোটনা কোংগ্রেসকী চীফ মিনিষ্টর মীরেপনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

সর্ভেগী রিপোর্টনা হায়, চহী ১৫ গী মতুংদা কোংগ্রেসনা মধ্য প্রদেশ অমসুং ছটিসগরদা অমুক হন্না লৈঙাক পায়বা ঙম্লগনি। রাজস্থান্দসু পার্টি অসিনা চীফ মিনিষ্টর বসুন্ধরা রাজেগী বি জে পি লৈঙাক মায়থিবা পীরবা য়াই। লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনদি ষ্টেট অহুমমক্কী মীখলদা বি জে পিনা চাউনা মায় পাক্কনি হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি।